## এমদি সনাতোম্বা জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩(ঐচ এন এস): চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওর্দরনা ৱারেন্ট ইস্যু তৌরকপদগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী আর কে অনিলনা লুচিংবা অমদি পুলিস ষ্টেসন অসিগী এস আই সম্নবোং য়াওবা টিম অমনা ঙরাং অয়ুক অঙনবদা এফ আই আর ২০৯(৬) ২০০৯ আই পি এস ঈ এস ৩৭৯/৩৪ আই পি সীগী মখাদা মীওই অমা ময়ুমদগী ফারে। ফারবা মীওই অদুগী মমীং এমদি সনাতোম্বা (২৫) অপোকপা এমদি নহাতোম্বা কৌই। মহাক ক্বাক্তা তেরাখোঙশাংবীদা লৈবনি হায়রি। মহাক ঙসি চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং জুদিসিয়েল রিমান্দ পীদুনা জেলদা থাজিনখ্রে।

## দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ১৭৭৮ কা কোন্ননা মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩(ঐচ এন এস): জিরিবাম পুলিসকী এ এস আই, এ কৃষ্ণ শর্ম্মনা লুচিংবা কাঙবু অমনা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ গী জিরিবাম পেট্রোল পম্প মনাক্তা লম্বীদা অচৎ অওক চেক তৌবদা টাটা সুমো অমা খামদুনা চেক তৌনবা হোৎনবদা নাম্থোক্লগা চেনখিবদগী জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন মপাদা তান্নরগা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, টাটা সুমো অদু পুলিসনা ফারবা মতুংদা চেক তৌরুবদা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট তোঙান তোঙানবা পেকেট মাপনদা য়োম্নগা য়াওরম্বা থেংনখি। পুন্না দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ১৭৭৮ রোম য়াওরমখি। টেব্লেট পুরক্লিবা নুপা অদুগী মমীং এমদি খুসিদ আলি (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এমদি বিরাজ মকামট কৌই। মহাক ত্রিপুরাগী ওরানি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা রাজিকারা খুনদা লৈবনি হায়রি। মহাক্না পুরক্লিবা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট অদু লোকেল মার্কেটতা লুপা ৯৭,৭৯০ রোমগী ওইগনি হায়রি।

## লুপা লাখ ২০ গী কোদিন কষ্টমসনা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩(ঐচ এন এস): ঙরাং অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকাইগী বোল লম্পাক্তগী ট্রক (এম এন ০১/ ৯০৩৯) দা বিড়ি অমসুং অতে হীদাক খরনা য়োমশিল্লগা পুরম্বা কোদিন য়াওবা হীদাক মহি (ৱিনসিরেক্স) বোট্টলশিং য়াওবা বোক্স ২০০ কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালগী এন্টি স্মগল্লিং য়ুনিটকী ওফিসরশিংনা ফারে।

কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর মোদোলি দামোনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, থিংখ্রবা হীদাক মহিশিং অসিগা কোন্ননা ফারবা ট্রক্কী ড্রাইভরগী মমিংনা অহৈবম সুরচন্দ্র (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা জুগিন্দ্রো কৌই। মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সাইতোনগী সলাম কোঞ্জিন্দগীনি হায়রি। ফাগৎলবা হীদাক মহিশিং অসি লুপা লাখ ২০ লোমগী ওইগনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা এম দি পি এস এক্ট ১৯৮৫ কী মখাদা কেস নম্বর ০২/সী এল/এল দি পি এস/ কষ্টমস/দি পি এফ/এ সী আই/ ২০১৮-১৯ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা চেন্নরিবা ট্রকসু ফাগৎলে হায়রি।

## এক্সিদেন্টতা ৩ শিরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩(ঐচ এন এস): তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকখিবা গাড়ী এক্সিদেন্টতা মীওই অহুম লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

ঙরাং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা সগোলবন্দ ইঙুদম লৈরক মচিনদা গাড়ী মচা তোংদুনা লাকপা নুপা অমা কার অমনা থোম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং থোকচোম নরানতোম্বী (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা তোমচৌ কৌই। মহাক সগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক্তা লৈবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা তেরাখোঙশাংবীদা টিদ্দিম লম্বীদা মোইরাংরোমদগী চুড়াচান্দপুর তম্না থৌরকপা এ ষ্টার কার অমনা রিক্সো পুল্লর অমা থোম্বদগী নুপা অদু লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং এমদি পিশক (৬০) কৌই হায়রি।

## ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী জন্যুৱারি ৩ গী এদিসনগী লামায় ৪ দা *বোসেমগী ইনক্বারি রিপোর্টকী অচুম্বা পুথোকপীয়ু: মাফ্রেহায়বা* হেদলাইনগী মখাদা ফোঙখিবা পাউদা "বোসেমগী সেক্রেটরি অমসুং কন্ট্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসন সস্পেন্দ তৌবা" হায়খিবা অদু পেরেন্ট দিপার্টমেন্টদা মশা মশাগী মফমদা হলহনখ্রে হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। - এদিটর

# দেসামগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

*এদ্যুকেসন হায়বসি হীরম অমহেক্তদা খুন্নাই অমগী অফবা থবক খরা তৌবা অদুনি : জয়ন্তকুমার*

ইম্ফাল, জন্যুৱারি০৩(ঐচএন এস): দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী ১৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাওন্দা লৈবা চন্দ্রকৃর্ত্তি ওদিওটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবদা এদ্যুকেসন হায়বসি লৌশিং তানবনি। তুংদা অফবা থবক অমা তৌবা অদু এদ্যুকেসন নত্তে। হীরম অমহেক্তদা খুন্নাই অসিগী অফবা তৌবা অমদি কৎথোকপা অদু এদ্যুকেসননি।

মহাক্না হায়, হৌজিক্কী মতমদা এদ্যুকেসনননা শোক্তবা মফম লৈরক্ত্রে। হীরম খুদিংমক্তা এদ্যুকেসন য়াওদবা য়ারক্ত্রে। এদ্যুকেসনগী মঙাল নীংথিনা ফংদুনা অফবা ৱাখল খল্লগা খুন্নাই অসিদা অওনবা পুরক্নবা হোৎনগদবনি। এদ্যুকেসন হায়বসিদা লাইরিক খক্তা নত্তনা লাইশু য়াওরক্লিবা করিগীনো হায়বসি মহৈরোয়শিংনা খঙগদবনি। খুন্নাই অসিগী সিটিজন অমা ওইনা এদ্যুকেসনগী মঙাল লৈদুনা অমগ-অমগা নুংশিনবা মথৌ তাই।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয় মশিং য়াম্না তমদ্রিবসি মীয়াম্না থাজবা ৱাৎপদগীনি। মীয়াম্না করিগীদমক গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা থাজবা ৱাৎলিবনো হায়বসি পুন্না নৈনমিন্নবা চুন্নে। লোয়নননা লমদম অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা অশোয়বা অরানবা য়াওরকপদা শেমদোক্নে হায়না মহৈরোয় লুপ কয়া থোরকপসি অচৌবা কৎথোকপা অমনি। লৈঙাক্না এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎনবা পায়খৎলকপা থবক থৌরমদা অশোয়বা অমদি অৱাৎ-অপা য়েংশিল্লিবা মহৈরোয় লূপশিং অসি থাগৎনিঙাইহিনি। মহৈরোয় লুপশিংনা ফোর্মেল এদ্যুকেসন খক্তদা মীৎয়েং চঙবগী মহুত্তা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদসু মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা দেসামগী প্রসিদেন্ট সলাম অকাসনা হায়, লমদম অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসি চৎফম থোকপা লম্বীদগী নাথৈবা উরে। চহী ৩০/৪০ গী মমাংদা ষ্টেট অসিদা লৈরম্বা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অদু ইহোং হোংদবদৌনা উই। মসি প্রাইমরি স্কুলগী থাক্তগী অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা শেমদোকপা মথৌ তারে। লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসিদা পীরিবা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা ময়াম অসিদা করিগী শোথনা লৈরিবনো হায়বসি হংনিঙই ওই। ইম্ফাল মায়োলদা লৈবা হায়র সেকেন্দরি স্কুল খক্তদা মহৈরোয়শিংনা তম্নবা হোৎনরি। মসি অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংসু লৈঙাক অমসুং লমদম অদোমগী মীওইশিংনা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌফম থোকই অমসুং পুন্না চাওখৎমিন্নবা হোৎনবা মথৌ তারে।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিদা হ্যুমেন রিছোর্স মপুং ফানা শেন্নগে খন্দুনা প্রাইভেট স্কুল লিংখৎলিবশিংনা লৌরিবা ফীশিং অসিগী মহয় ওইনা কদায়ফাও ক্বালিটি লৈবা মতিক চাবা মহৈরোয় পুথোক্লিবগে হায়বসিসু পেন্নিঙাই ওইদে। খুন্নাই অসিগী অফবা তুংগী মীরোল অমগীদমক ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসি মপুং ফানা হোংহন্নবা হোৎনবা মতম ওইরে। ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন সেক্তরদা মাস রিফোর্মেসন কেম্প্যেন অমা চঙশিন্দুনা হ্যুমেন রিছোর্সনা পুক্কে চোনবা ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা দেসামনা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন, রিমস অমসুং ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট, জেনিমসকা খুৎশম্নদুনা মহৈরোয় খুন্নাই অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক কৎথোক্লবা ঈ হায়বা থিম অসিদা ভোল্যুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

দেসামগী ফাওন্দেসন দেগী থৌরম অদুদা লমদম অসিগী কৎথোকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংবু তাকপি তম্বীরিবা লৈঙাক্কী ওজা ৬ খনগত্তুনা দেসামগী মায়কৈদগী চীংঙু মাইচৌ খোঙনাংথাবা মনা পীদুনা ইকাই খুম্নখি। মনা অদুদা শেল ওইনা লুপা ৫০০০, সোল অমা অমসুং মেমেন্টো অমা য়াওরি।

# দোলাইথাবী কেনেল শেন্বা লোয়দ্রিঙৈদা শঙ্গানবা হোৎনবা লায়বক থিবনি: টিঐচ লোকেশ্বর

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩(ঐচ এন এস): দোলাইথাবী বারাজগী কেনেল শেন্বা লোয়দ্রিঙৈদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা শঙ্গানবা হোৎনরিবা অসি মীয়ামগী লায়বক থিবনি হায়না খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ, টিঐচ লোকেশ্বরনা ঙসি খুন্দ্রাকপমদা নৌনা শাবা আশা ষ্টেজ কম কিটচন সেদ শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

আশা ক্লব খুন্দ্রাকপম অমদি ইন্দিরা মেমোরিএল ৱুমেন্স ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, দোলাইথাবী দামগী থবক লোয়দনা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গাহন্নবা হোৎনরি। দোলাইথাবী দামগী কেনেল অসিগী থবক অয়াম্বা লোয়শিন্দনা লৈরি। প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গারন্নগদি থিকাদারশিং চেনখ্রগনি। দোলাইথাবী প্রোজেক্ট অসিগী কেনেল অসি শেন্বা লোয়রগা শঙ্গারন্নবদি চীফ মিনিষ্টরবু মীয়াম্না থাগৎনরমগনি।

মমাংদা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা বি জে পিনা থবক লোয়দনা শঙ্গাই হায়খিবদু হৌজিক বি জে পি লৈঙাক্না অমুক চপ চানা তৌরে। বি জে পি লৈঙাক্না ঐ মঙায়রে হায়দুনা ঙকচাও থেক্তুনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি মীয়াম্না পারা তম্বীবা মতম ওইরে। দোলাইথাবী বারাজগী পীফম থোকপা মীয়ামগী কম্পেন্সেসন অদুসু হৌজিক পীবা লোইদ্রি হায়রি।

লমদম অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা মীয়াম্না মথৌ তাবশিং অদু এম এল এগা তান্নরগা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা থৱাই হকচাং য়াওনা হোৎনগনি। মসিদা পোলিটিকেলগী খেন্নবা থাদোক্লগা চাউখৎ মায়কৈদা চঙশিনমিন্নসি। লমন শিংবা হায়বসি অফবনা লমন শিংসি। খুন্দ্রাকপম এ সীদা নৌনা হোংলকপা মীওইনা পাঙহায় হায়জিনবা থাজবীরক্নু হায়খি।

ঙসি শঙ্গাখিবা আশা ষ্টেজ কম কিটচন সেদ অদু এম এল এগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ৫.৮৭ রোম চঙনা শাবনি হায়রি। ঙসিগী থৌরম অদুদা খুন্দ্রাকপম জি পিগী প্রধান এ ইবোচৌ, মকেং দোলাইথাবী জিল্লা পরিষদ এন সনাতোম্বা, ৱাইতোন জি পিগী প্রধান পি সুরবলা অমদি খুন্দ্রাকপম জি পিগী ৱার্দ মেম্বর দব্লিউ পুর্নিমাসু থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# মীয়ামগী গাড়ী থাফমশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩(ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ইম্ফালদা লাক্লগা হপ্তা কাংজেবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা মীয়াম্না শরুক য়াবা লাকপদা খুদোংচানবগীমক ট্রাফিক পুলিসনা গাড়ী পার্কিং ওইগদবা মফমশিং লাউথোকখ্রে।

মণিপুর ট্রাফিক পুলিসকী এস পি কেঐচ শর্ম্মনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়, অন্দ্রো, য়াইরিপোক অমদি ইরিলবুংরোমদগী লাকপা গাড়ীশিং পেসেঞ্জর থাদরন্নবা মতুংদা অন্দ্রো পার্কিং অমদি রাজা দুম্ব্রা ক্রোসিংদা গাড়ী থাবা য়াগনি। ময়াং ইম্ফাল, ৱাঙ্গৈই, থৌবাল, ককচিং অমদি তেংনৌপল রোমদগী লাকপা গাড়ীশিংনা থুম্বুথোং অমদি য়াইস্কুলদা থাবা য়াগনি।

সেনাপতি, সেকমাই, কাংপোকপী, পাৎসোই, লমশাং অমদি টিদ্দিম লম্বীদগী লাকপা গাড়ীশিংনা মিনুথোংদা খামগদবনি। লম্লাই, উখুল অমদি য়াইঙংপোকপী রোমদগী লাকপা গাড়ীশিংনা লমলোং লম্বী অমদি আর দি এসতা খাম্বা য়াগনি। পাউমীশিং অমদি মরুওইবা লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওইশিং অন্দ্রো পার্কিং অমদি আর দি এসতা গাড়ী খাল্লগা খোঙনা মীটিং তৌফমদা চঙবীয়ু হায়রি।

গাড়ী অচৌবদা লাকপশিংনা মী থাদরন্নগা মখোয়গী গাড়ীনা খুমন লম্পাক আই এস বি টি, য়াইস্কুল রেঞ্জ, হাও গ্রাউন্দ, অন্দ্রো পার্কিং, কোংবা ও এল এ লম্পাক অমদি ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা খাম্বা য়াগনি হায়রি।

হপ্তা কাংজৈবুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা থুংদ্রিঙৈ পুং ১ ৱাৎলিঙৈ মমাংদা মীয়াম্না লাকপীয়ু। মীয়াম্না মীটিং লাকপা মতমদা বেগ অমদি পোৎ ময়োম্নচিংবা পুবীরক্কনু। ঈশিং হাপ্পা প্লাষ্টিক বোট্টল নত্তনা অতৈদি মনুংদা পুশিনবা য়ারোই। মীটিং তাবা লাকপা মীয়াম হান্না চেক তৌরবা মতুংদা ইন্ট্রি গেটতা চঙবীয়ু অদুগা মনুংদা থারিবা চৌক্রিদা ফম্বীয়ু। প্লে কার্দ, বেজ, ফেষ্টুল, পোষ্টর, বেন্নর, অমুবা মাস্কনচিংবা পুদুনা চঙবা য়ারোই। স্লোগান লাউবসু য়ারোই, হান্না চেক তৌগনি। আর্মদ, এক্সপ্লোসিব অমদি খুদোংথিবা য়াবা খুৎলায়নচিংবা পুশিনবা য়াদে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক, গ্যাস সিলিন্দর, পেট্রোল, দিজল অমদি কেরোসিন্নচিংবা পুশিনবা য়াদে হায়রি।

# আই-এমগী দিপ্যুটি কিলোন্সর য়াওনা কাদর অহুম ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩(ঐচ এন এস): য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা গ্বালতাবী কৈথেল ময়াদা ১৭ শুবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা লম্বীদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা এন এস সী এন (আই-এম) গী দিপ্যুটি কিলোন্সর য়াওনা কাদর অহুম নোংমৈ অমদি শেলগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

থা অসিগী ১ গী নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবা মতমদা ১৭শুবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা গ্বালতাবী কৈথেল ময়াদা চেক তৌবদা ফারবা এন এস সী এন (আই-এম) দিপ্যুটি কিলোন্সর অদুগী মমীং আয়ুং সৈয়াকি (৪০) অপোকপা নাওয়ো, কাদর অনী অদুনা রিঙাচুন কাসার (৪৪) অপোকপা জোলান অমদি সিংরৈয়ম (৪২) অপোকপা সেলুইনিনি। মখোয় অহুম্মক উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লম্বুই খুলদা লৈবনি হায়রি। মখোয়দগী স্কোর্পিও অমা, মারুটি আলতো কার অমা, ৯ এম এমগী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৫ য়াওবা মেগজিন অনী, মোবাইল হেন্দসেট মরি অমদি শেল ওইনা লুপা ৮৯,০০০ ফঙবা ঙমলে হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদু অসাম রাইফলসনা য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# প্রমোদিনি নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারি০৩(ঐচ এন এস): লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) ইম্ফালনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবী শক্লাইরবী অইবী কুমারী খাইদেম প্রমোদিনি নীংশিং থৌরম ঙসি ইরোইশেম্বদা লৈবা মকোই পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অইবী থোকচোম বিনাপানিনা থৌরম মপু ওইখি। খাইদেম প্রমোদিনিগী মফমদা লৈ-শু কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈকোলগী থা ৬/৬কী ওইনা ফোঙবা চেফোঙসু ফোঙখি।

থৌরম অদুদা লৈকোলগী সেক্রেটরি ময়া নেপ্রম্মা ফোঙদোকখিবদা খাইদেম প্রমোদিনি নুপীশিংবু য়োকখৎপা পাম্বা অইবীনি। লৈখোল শেন্বা মতমদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী অমনি। লৈকোল হায়বা নুপী অইবীশিংগী মমিং অসিসু প্রমোদিনিনা থোনবিরম্বনি। অইবী অসিগী কুমওন থৌরম লৈকোলনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

নুপীগী সেসন্দা অইবা-অইবীশিংগী শৈরেং শৈদিন্নখি। অরাম্বম ওংবী মেমচৌনা শৈদিন মপু ওইদুনা পাঙথোকখি। শৈরেং শৈদিন্নবা অসিদা এ আর ইম্ফালগী দাইরেক্তর দিলিপ ময়েংবম, মেদিয়াগী ওইনা নোমিতা খোংবানতাবম, এলাংবম ববিনা অমসুং লৈকোলগী মেম্বর য়াওনা অইবী ৪৫না শরুক য়াদুনা মশা-মশানা ইবা শৈরেংশিং লাম্থোকখি।

# স্পেসল হেন্দলুম এক্সপো লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৩ (ঐচএন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলগী শেন্থং মখাদা মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর এন্দ হেন্দিক্রাফ আর্টিসিয়ান কোওপেরেটিভ সোসাইটিনা শীন্দুনা জি এম হোলদা চথরকপা স্পেসল হেন্দলুপ এক্সপো ২০১৮-১৯ ঙসি লোইশিনখ্রে।

এক্সপো লোইশিনবগী থৌরমদা ৱিভর সার্ভিস সেন্টর পোরোমপাৎ ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিসর ইনচার্জ সী রাজাসেকরননা চীফ গেষ্ট, অমদি এ দব্লিয়ু এ এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট এ রোমিকানা প্রসিদেন্ট ওইখি। হেন্দক্রাফ সার্ভিস সেন্টর পোরোমপাৎকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর টি ঐচ রাজেন অমদি নেসনল হেন্দলুপ দিভলপমেন্ট কোপোরেসনগী মার্কেটিং ওফিসর ইনচার্জ ৱাই শান্তিকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরমদুদা টি ঐচ রাজেন্না, হেন্দলুম এক্সপো তোয়না পাঙথোকপা হায়বসি ফিশাবীশিংদা কান্নবা পীবা অমনি। ফিশাবিশিংনা পাস বুক পায়বিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# প্রভিশ চনম মীশিগী মতাংদা থৌবাল দি সীদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩(ঐচ এন এস): য়ুপিগী নোইদাদা কুমজা ২০১৭ গী সেপ্তেম্বর ৯ দা মণিপুরদগী প্রভিশ চনমবু মীহাৎ থিনা মীওই খরনা হাৎলগা ঙসি ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা সী বি আইনা মীশি অসিগী মণিপুরদা লাক্লগা ইনভেষ্টিগেসন চথহল্লু হায়বা দিমান্দদা ঙসি থৌবাল দি সীগী খুথাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়রি।

য়ঙ পীপল ফোর সোসল রিফোর্মস, য়ুথ এক্সন কম্মিটি ফোর দি প্রোটেক্সন ওফ ইন্দিজিনস পীপল, সোসল য়ুথ প্রোগ্রেসিব ওর্গনাইজেসন, য়ুথ ফোরম ফোর দি প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এন্দ খাঙবোক দিভলপমেন্ট এন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি খাঙবোক্তগী মীয়াম্না রেল্লি অমগা লোয়ননা থৌবাল দি সীগী ওফিস তম্না লাকখি। মতুংদা থৌবাল দি সীদা প্রভিশ চনম মীশিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা অচুম্বা পুথোকপীদনা নমশিন্দুনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোকপীনবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাকপা অসিদা মেমোরেন্দম অমা থৌবাল দি সীগী খুথাংদা পীবীনবা খুৎশিন্নখি হায়রি। ঙসিগী রেল্লি অদুদা ৱি ৱান্ট জষ্টিস ফোর দি প্রভিশ চনম সী বি আই ইনভেষ্টিগেসন, ষ্টোপ রেসিএল দিস্ক্রিমিনেসন টুৱার্দস নোর্থ ইষ্ট পীপল হায়বা প্লে কার্দশিং পায়খি।

# মোদিগী খোঙচৎতা মীয়াম্না ৱাখল শাগৎনিঙাই লৈতে : সোটিনকুমার

ইম্ফাল,জানুৱারি০৩(ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ অসিদগী মীয়াম্না আশা তৌনিংঙাই লৈতে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবৎ ভৱন্দা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, খোঙচৎ অসিদা ধনমঞ্জরি য়ুনিভর্সিটিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনা, ফুটবোলগী এষ্ট্রো ট্র্ফ থাবগী উরেপ-উয়ুং তন্নমগদৌরি। লোইশিন্দ্রিবা দোলাই থাবী প্রোজেক্ট শঙ্গাগনি হায়বসিসু মরম চাদে। পি এমগী খোঙচৎ মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিল সী পি আইনা তরাম্না ওকই। দেমোক্রেসি, কন্সটিট্যুসন, আর বি আইবু মনীং তম্বা মাঙহনগনু। মোদি লৈঙাক্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু গেরুৱা মচু শংন্নবা হোৎনবদা চাওখৎহন্নবগী মহুত্তা মনিং হনহল্লে। রিমস এমসকী থাক্তা পুখৎপগী মহুত্তা ষ্টাফশিংগী থাগী তোলোপ ফাওবা চাং নাইনা পীদ্রে। ম্যান্মারগা তাইনবা মণিপুগী ঙমখৈগী লম ঙাক-শেনবা ঙমদ্রে।

মণিপুরদগী স্পেসল কেটগরি ষ্টেটস লৌথোক্লগা শেল-থুমগী অৱাবা মরক্তা মোদি লৈঙাক্না লংশিল্লি। ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না মণিপুরদা এৱার্দ তৌরক্কদবা শেনফম্না ষ্টেট অসি শেল-থুমগী ক্রাইসিস্তগী কোকহনবা ঙল্লোইদৌরি। ফিভম অসিদা ইমপ্লোয়ীশিংগী তরেৎশুবা পে রিভিজনগী ৱাফম লৈখায় তারোইদৌরি। দিমোনিটাইজেসন অমসুং জি এস টিনা মণিপুরগী শেল-থুমগী ফিভম শোকহনখ্রে। নহা কয়া থবকপীবগী মহুত্ত হান্না তৌজরম্বা কয়া থবক্তগী লৌথোকখ্রে। মোদিনা ঙহাক ঙহাক্কী ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি। ঙরাং লোক সভাদা রাফেল দিল খন্নবদা মোদি মশামক হাউসতা লাকখিদে হায়রি।

# কোংগ্রেসনা শারগা থন্নম্বশিং লৈঙাকসিনা...

*লামায় ২গী মখা...* লাকখিবনি। হৌজিক্তি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবদগী অসিগুম্বা কয়া অসিসু লৈখিদ্রে।

নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিং অসি ইন্দষ্ট্রিগী লমদা শোখবা ওইবনা লমদম অসোমগী মীওইশিংনা ইন্দষ্ট্রিজ লিংখৎপা মতমদা চাদা ৩০ গী সবসিদি পীরম্মী। অসিগুম্বা কয়া অসি অনৌবা লৈঙাক অসিগী মতমদা লৈখিদ্রে। স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখ্রবা মতুংদা নোর্থ ইষ্টকী করি থৌদাং পায়খৎপিরিবগে হায়বসিসু হংনিংঙাই ওই। মণিপুরদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং খোঙজেল য়াংনা পায়খৎপা ঙমখি। কোংগ্রেসনা লোইশিল্লগা থন্নম্বা থবকশিং হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা শঙ্গাবদতা চহী অনীফাওবা লোইরোই।

এন এস সী এন (আই-এম)গী পিছ টোক্কী ৱাফম অসি থম্মোয় শেংনা লোইশিন্নবা হোৎনরিব্রা নৎত্রগা পোলিটিকেলগী ওইবা তাৎ তৌরিব্রা হায়বা ৱাফমসু লাক্লি। ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরিবনো হায়বসু খঙহনদে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা কায়বা য়াবা ৱাফম য়াওবা য়ারোই। স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি অসিসু সেন্টরদা এন দি এ লৈঙাক হেক লাকপগা লাউথোকখিবনি। বজেটতা শেল হাপ্পে হায়নসু লাউথোকখি। য়ুনিভর্সিটিগী লম আইদেন্টিফাইদ তৌনবা সেন্টরগী টিম থারক্তুনা য়েংশিনবা লৈখি। য়াইথিবী লৌকোলদা শাননবা থৌরাং তৌরম্লবা মতুং কৌক্রক্তা অমুক শাগনি হায়রখ্রে। স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটিগীদমক বিলনচিংবা মতম চানা পুথোকখিদে। চহী কয়া লৈরবা মতুংদ হন্দক্তা পুথোকখি। য়ুনিভর্সিটি শাবদা মতম চঙগদবা মরম্না টেম্পরেরি ওইনা খুমন লম্পাক্নচিংবদা স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটিগী ক্লাস হৌবিয়ু হায়না তকশিন্দুনা লাকখিবনি। এন আই টিসু ষ্টেট অসিদা পার্মিনেন্ট কেম্পস শেমগৎত্রিঙৈদা টেম্পরেরি ওইনা ক্লাস হৌখিবনি। পার্মিনেন্ট কেম্পসতি কোন্না শাগৎখিবনি।

জিরিবাম টুপুল রেলৱে লাইনগী প্রোজেক্ট অসি সেন্টরদা য়ু পি লৈঙাক লৈরিঙৈগী মতমদা শেমগৎপা হৌবগা লোয়ননা শরুক কয়া অমসু শাবা লোইশিল্লমখিবনি। ৱাৎহৌরিবা শরুকশিং বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মতম শাংনা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। কোষ্ট রিভাইস তৌদুনা লৈরে হায়না পাউ তাই। থবক্তি ইশু-শুদনা চহী অনীগী মনুংদা জিরিবাম টুপুল রেলৱে প্রোজেক্ট অসিগী কোষ্ট লুপা ক্রোর ৪২০০ দা হেনগৎখিবা করিগীনো হায়বা ৱাফম লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, গোবিন্দাস কৌন্থৌজম্না হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা অনৌব লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদা করি অনৌবা প্রোজেক্ট পায়খৎখ্রবগে। শঙ্গাগনি হায়রিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট অমদি দোলাই থাবী প্রোজেক্ট অসিসু কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা অয়াম্বা পায়খৎখ্রবনি। মীখল মমাংদা বি জে পিনা ইন্দিয়াগী ওইনা চহী খুদিংগী মীওই ক্রোর ২ থবক পীগনি অমদি মণিপুরগী ওইনসু চহীদা মীওই লাখ ১.৫ থবক পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। মসি করি ফিভমদা লৈখ্রবগে। এম জি এন আর ঈ জি এসকী ওইনা চহী অমগী মনুংদা থবক পীগদবা নুমিৎ মশিং শুনা পীবা ঙমদে। নুমিৎ ১০০ নি থবক পীগদবদা নুমিৎ ২০ নি ফানা থবক পীবা ঙমদে। লম্বোই খোংনাংখোঙদা শারিবা ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর অসিসু কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা শারম্বনি। বি জে পি লৈঙাক্না রিবন ককপা খক্তনি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসি মমিং হোংদোক হোংজিন্দা য়াম্না হৈ শিংবা ওইরি। য়ু পি এ লৈঙাক্কী মতমদা পায়খৎলম্বা থবক কয়াসু এন দি এ লৈঙাক্না মমিং ওন্থোকখ্রে। লুক ইষ্ট পোলিসি হায়খ্রে। প্রোজেক্ট কয়া অমসু মমিং ওনখ্রে। মোদি লৈঙাক্না দিমোনিটাইজেসন তৌদুনা অনৌবা শেল নম্ননবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ রোম মাঙহনখ্রে। মসিনা এদ্যুকেসন সেক্তর নৎত্রগা মীয়ামগী য়াইফনবগী হীরমদা থাদরন্নবদি কান্নরমগদবনি। জেরো বেলেন্সতা একাওন্ট হাংহন্দুনা লুপা লাখ ১৫/১৫ হাপকনি হায়খিবদু কনাদা হাপ্পা লৈখ্রবগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিং উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, জয়কিষন্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাংজিংদা লাক্লম্বা মতমদা মণিপুরগী ঙমখৈগী মতাংদা ৱাফম কয়া পল্লমখি। ম্যান্মারগা লোন্নরিবা মোরেগী বোর্দরদা লম মাঙশিল্লকপা অমদি জুকো ভিলিজগী বাওন্দরি ইশু লোইশিনবা ঙমদ্রিবা করিগীনো। ষ্টেট অসিগী হায়ৱে অমদি লম্বী শেম্নবা লুপা ক্রোর লীশিং ২২ পীগনি হায়না লাউথোকখিবদু করম্বা লম্বী শেমখ্রবগে। শেঙ্গা-থুমজা লৈহল্লোই হায়না লাউথোকপসু লৈখি। হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ফিভম অসি করপসন ফ্রিরা নৎত্রগা ফ্রি করপসন ষ্টেটলা হায়বদু হংনিঙাই ওই হায়নসু মখা তাখি।

# চার্জসিট থাগৎলক্লে

*লামায় ২গী মখা...* মণিপুরগী ওফিসল অদুগী মমিং এল দোরেন্দ্রো কৌই, নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তগীনি। মহাক এন আই টি, ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার ওইবনি।

অদুগা এম য়ুগী ওফিসল অদুগী মনিংনা সোরোখাইবম অচৌ এলিয়স রোসনিকুমার কৌই, লংথবাল মন্ত্রিখোং ময়াই লৈকায়দগীনি। মহাক্না এম য়ুগী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী কেস সেক্সনদা সিনিয়র এসিষ্টেন্ট ওইনা থবক তৌবনি হায়রি। সী বি আইনা মখোয় অনীগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসশিং অদু প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩(২) অমসুং ১৩(১) (ঈ) গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি। লোয়ননা ওফিসল অনীসিবু সেক্সনশিং অসিগী মখাদা ৱায়েল চথনবগীদমক মখোয়গী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখিবনি।

এজেন্সী অসিনা কোর্টতা সবমিট তৌরক্লিবা চার্জসিটশিং অসিদা এন আই টিগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার অসিনা হৌখিবা কুমজা ২০১২ গী মার্চ থাদগী কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবদা অহেনবা তলবকী শেনফম লুপা ২০,৭৭,০৪৯ লৌশিল্লমখি হায়না মহাক্কী মথক্তা তৌরকপা কমপ্লেন্টতা পল্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কমপ্লেন্ট অসিদগী সী বি আইগী টিম অমনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা মহাক্কী মথক্তা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা মহাক্কী য়ুম অমসুং ওফিসতা থি-হুম্বগী থবক চথখ্রবনি। মসিদা মরী লৈনবা চে-চাং কয়া ফাগৎখ্রবনি। অমরোমদা, এময়ুগী ওফিসল অসিনদি হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী এপ্রিল থাদগীনা কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর থা ফাওবদা অরানবা মওংদা এময়ুদগী লুপা ৮৪,০৭,৬৯৩ গী শেনফমশিং তানশিল্লমখি হায়নসু মহাক্কী চার্জসিট অসিদা চার্জ তৌরক্লি।

# কোর্টনা য়ু বি আইগী ব্রাঞ্চ ...

*লামায় ২গী মখা...* বেঙ্ক একাউন্টশিং মহাক্কী বেঙ্কতা হাংদোক্লগা লোন ওইনা পীখিবনি হায়দুনা লুপা লাখ ৪ রোম শেঞ্জা-থুমজা তৌদুনা হৈনথোকখিবনি।

থৌদোকসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), সিলচরনা মহাক্কী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন-১৩(২) অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০/৪১৯/৪৬৭/৪৬৮/৪৭১/ ৩৪গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

কেস অসিগী ৱারোল কোর্টসিদা চথরক্লবা মতুংদা মহাকপু মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসিনা ফাদোক্কী মতম ওপন কোর্টসিদা লাউথোকখিবনি।

মহাক মরালসিগী মতুংইন্না চহী ২ জেলদা ফাদোক লৈবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাখ মঙাগী শেনফমসু থা ৩গী মনুংদা থীগদবনি হায়খি। করিগুম্বা মহাক্না ফাইনগী শেনফম অসি পীরিবা মতমসিগী মনুংদা পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম চহী অমগসু শাংদোক্কদবনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখি।

# টোটেল সটদাউন মনুংদা ...

*লামায় ২গী মখা...* কমপ্লেক্স থঙ্গাল শুরুং, ইন্টিগ্রেটেদ টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন উখুল, ৱাটর সপ্লাই স্কিম জে এন ভি লমবুইনি। উরেপ-উয়ুং তমগদবশিংদি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট ওফ ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি, ফ্লদ লাইটিং এট হোকি ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক, ফ্লদ লাইটিং এট মে ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক অমদি এষ্ট্রো টর্ফ ফুটবোল গ্রাউন্দ এট লাংজিং অচৌবনি।

চৈরকসিদা, মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (ট্রান্সপোর্ট) কম ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেন এম লক্ষ্মীকুমারনা থোকখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না টোটেল সটদাউন মনুংদা চেন্দবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংগী পর্মিট কক্পা য়াওনা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

অমরোমদা, ট্রান্সপোর্ট দিরেক্টর সী অর্থর ৱোরচুইৱোনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না কৈশাম্পাৎ বস পার্কিংদা হয়েং মখল অমত্তগী গাড়ী খাম্বা য়ারোই হায়রি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎকা মরী লৈননা হৌজিক লৈরিবা কৈশাম্পাৎ বস পার্কিং অসি নক্মুল তুরেল পরিংদা য়ুমশা দুকানগা মায়োক্নবদা মতম খরগী ওইনা হোংদোক্কদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# য়ু পি আর এফনা পুং ১২গী...

*লামায় ২গী মখা...* অসিদা মীয়াম্না মখল খূদিংমক্কী শীন্থা লেপ্পীয়ু অমসুং তাৎ তৌদুনা মীয়ামগী মীৎতা উৎ চাইবা লাক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি মপূং ফানা বোইকোট তৌবীয়ু।

মনিং তম্না লৈঙাকচন্দুনা মশাগী অশেংবা লমখৈ লৈজরম্বা লমদম অসিবু থেংখাং কয়ারক্তা মচেৎ-মচেৎ পীথোক-খায়দোক্তুনা থুগায়নবা হোৎনবা, খুন্নাইগী অপূনবা শক্তমবু মরূ ফুক্তোকখিনবা, ফুরুপ মশেলগী মরক্তা শীংচেপ থাজিন্দুনা য়েংথীনহন্নবা হোৎনবা অমসুং মালেমদা চৎনদ্রবা ব্লেক লো কয়া থমজিন্দুনা মীহাৎ-মীপুন চথরক্লি। ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগী খোঙচৎ অসিনা খুন্নাই অসিগী মীয়াম্বু মখা তানা নমশিন্দুনা থম্বা য়ানবা হোৎনবা নৎতনা অতৈ অহেনবা করিসু ওইনিংঙাই লৈতে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, টোটেল সটদাউন লাউথোক্লিবা নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না মখল খূদিংমক্কী শীন্থা লেপ্পীদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ বোইকোট তৌবীয়ু। অদুমওইনমক লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা থবকশিং, অনা-অয়েক, মৈ-ঈশিং অমসুং ইসেন্সিএল সর্ভিসকা মরী লৈনবশিংদি অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোই।

MANIPUR RURAL BANK
(A Government Enterprise)
HEAD OFFICE: KEISHAMPAT, IMPHAL
Website:www.manipurruralbank.com
Tel: 0385 245 1590
Fax: 0385 245 9331
Email: mrbho.imphal@gmail.com

Ref.No. MRB/HO/EPR/Option/2018-19/1167 Dated: 29.12.2018

NOTICE

MANIPUR RURAL BANK (EMPLOYEES) PENSION REGULATIONS, 2018

**Option for Pension to Employees/Officers/Retirees/Family members of deceased employees/officers**

Pursuant to the Order dated 25th April 2018 of the Hon'ble Supreme Court in SLP(C)/39288/2012 regarding grant of Pension to the Employees of RRBs, approval of DFS,MoF, GoI, and in terms of guidelines issued by NABARD and in consultation with the United Bank of India and in accordance with Section 30(1) of the RRB Act, 1976, the Board of Directors in its 5th meeting held on 25th October 2018 has approved Manipur Rural Bank(Officers and Employees) Service (Amendment) Regulations,2018 and Manipur Rural Bank (Employees) Pension Regulations,2018 and have come into force on and **from 17th December 2018** the date of publication in the official Gazette of Government of India. The Officers/Employees/Retirees and Family members of deceased employees/officers of Manipur Rural Bank are now eligible to opt for Pension.

All eligible employees, retirees and family members of deceased employees/officers are advised to submit **option in writing within 15th April,2019 (i.e. 120 days from the notified date both days inclusive)** to become eligible for pension as per notification at Head Office.

Option forms will be available at Head Office, Keishampat, Imphal and website of the Bank

Sd/-
SAMARENDU SAMAL
CHAIRMAN

HL-P/2910/4